# থৌবালগী বালা টিম এ অমদি বিনা স্কুলশিংদা চৎতুনা টিচিং এইদশিং য়েকপগী থবক য়াঙনা তৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) : ষ্টেটবালা (বিল্ডিং এজ লর্নিং এইদ) টিমগী মখাদা জেদ ঈ ও জোন থ্রীনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা প্রাইমারী অমদি অপ্পর-প্রাইপারী স্কুলশিংদসু থৌবালগী বালা টিম এ অমদি বিনসু স্কুল-স্কুলদা চৎতুনা স্কুল বিল্ডিংশিংদা 'টিচিং এইদ'শিং য়েকপগী থবক খোঙজেল য়াঙনা চঙশিল্লি।

ঙসি থৌবালগী বালা টিম বিগী ওজাশিংনা থৌবাল হাওখাদা লৈবা অপ্পর প্রাইমারী স্কুলদা টিচিং এইদসশিং য়েক্লিবা অদুদা শরুক য়ারিবা সনসম সঞ্জু কৌবা ওজা অমনা ফোঙদোরকখিবদা, জেদ ঈ ও জোন থ্রী ওইনসু জেদ ঈ ও থৌবাল এ অনিলকুমার অমদি দি আইগী মীৎয়েং মখাদা জোন থ্রীগী মনুংদা লৈরিবা ওজাশিংগী মরক্তগী ভলন্টরি ওইনা থোক্লকপা ঙন্বা ওজা খরা খনগৎতুনা টিম অনী খায়দোক্তুনা থবক অসি পাঙথোকপনি। স্কুলগী ক্লাস রুমশিংদা অঙাংশিংবু অরায়বা মওংদা তাকপী তন্বীদুনা খঙহন্নবা টিচিং এইদশিং অসি য়েকপনি। হৌজিক ফাওবদা স্কুল ১০ রোমদা টিচিং এইদশিং য়েকখ্রে। কালেন ছুটি মনুং জুন ২০দগী জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা অঙন্বা স্কুল খূদিংদা চৎতুনা টিচিং এইদশিং য়েকখিগনি। অঙাংশিংবু হেন্না ফহন্নবা অমদি স্কুলশিংবু হেন্না ফগৎহন্নবগীদমক য়ুমগী থবকশিং তোক্তুনা বালা টিম অসিদা মতেং পাংবনি হায়না ফোঙদোরকখি।



# অসামগী ঈশিং-ঈচাউদা অৱাবা তারবশিংগী মতেং ওইনবা য়ু পি এফনা আমসুগী খুথাংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) : হৌজিক হৌজিক অসামগী ঈশিং-ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ল রিবা ইচিল-ইনাওশিংদা মতেং খরদা ওইরবসু পীননবগী পান্দমদা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা লুচিংদুনা লূপ অসিগী মেম্বর ১০না শাবা টিম অমনা ঙসি ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আমসু)গী খুথাংদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং তেংবাঙখ্রে।

চান-থক্লবগীদমক তেংবাঙখিবা পোৎলমশিং অদুদি অতা বেগ ৭, থুম বেগ ২৪, সোয়াবিন পেকেট ৫০০ অমদি আলু বেগ ৫নচিংবনি। ঙসি চান-থক্লবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা হায়খি, ঐখোয়না য়ু পি এফকী মীওই ১০না শাবা টিম অমা ইম্ফালদগী লাক্লগা কছারগী ঈশিং-ঈচাউনা থুমখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংদা মতেং খরদং ওইরবসু ঙমজবা মতেং পাংবা ওইনা তেংবাঙ পীবগী খোঙচৎ অসি লাকখিবনি।



খোঙচৎ অসিদা জিরিবামগী জি রি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) অমদি অৱাপল্লিগী আমসুনা ওকপীদুনা অমদি মতেং পাংবীরকপা অসি তশেংনা নুংঙাই। অসুম্না মতেং পাংনবা লাকপা অসিদা য়ু পি এফকী টিমবু মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা আমসু সেন্ট্রেল কম্মিটি কছার অসামগী জেনরেল সেক্রেটরি কৱাবম বিক্রমজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি ইম্ফালদগী য়ু পি এফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্রনা লুচিংবা টিম অমা লাক্তুনা আমসুনা ঈশিং-ঈচাউনা অৱাবা তারবা মীয়ামদা পোৎ-চৈ য়েন্থোকপা অসিদা য়ু পি এফকী মায়কৈদগীসু চানবা পোৎ-চৈ অমদি শেলগী মতেং পাংবীরকপা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়খি।

তেংবাঙ পীবগী থৌরম অদুদা জে দি ওগী প্রসিদেন্ট এন সদানন্দ, জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ প্রিয়ানন্দ অমদি ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু নন্দকিশ্বরসু শরুক য়াখি।

# এদ্যুকেসন (এস)কী থৌওং য়াচল লাক্তবা শগোলগা পাঙ্খকনি : এমসু

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা একাদেমীক সেসন ২০২১-২২গী বোসেমনা লৌবা ক্লাস টেনগী এগজামগী রিজল্ট থা অসিগী ৮দা লাউথোকখিবা রিজল্ট অসিনা মমাঙথক্তগী হন্দক্কী রিজল্ট অসিনা মহৈরোয় চাদা ৭৬ পাস তৌদুনা খ্বাইদগী পার্সেন্টেজ ৱাংনা পাস তৌবা চহী অমা ওইখি। অসিগুম্বা য়াম্না চাউবা এগজাম হায়দোকপগী নুমীৎ অসিমক্তদা দিরেক্টোরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস)না থোকখিবা নোটিশতা কুমজা ২০১৪দগী চৎনদুনা লাকখিবা ইম্ফাল মনুংগী মরুওইবা গভর্ণমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী জে াইন্ট এদমিসন সিষ্টেম (কম্মন এন্ট্রান্স টেষ্ট) হন্দক চহীগী চৎলিবা একাদেমীক সেসন ২০২২-২৩ অসিগী ওইনদি চৎনররোই হায়রি। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়াচল লাক্তবা শগোলগা পাঙ্খক ওইরে হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী সেক্রেটরি জেনরেল বিক্রমজিৎ থোঙামনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নোটিশ অসিদা দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈরিবা হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংগী ওথোরিটিশিংনা মশা-মশানা এদমিসন কম্মিটি শেমদুনা এদমিসন তৌনবা খুদোংচাগদবা মখলগী এদমিসনগী প্রোসেস হৌনবা স্কুল ওথোরিটিশিংদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। নোটিশ অসিগী মতুংইন্না স্কুল খরদা মহৈরোয়শিংনা এদমিসন ফংহৌনবা থোমজিনবগী পাউ তারে। চহী অসিগী ওইনা মমাঙদা তৌখিদ্রিবা মওংদা লৈঙাক্কী স্কুলশিংনা অফবা মহৈরোয়শিং লৌনবগী ৱাখল্লোন্দা স্কুলশিংনা প্রোভাইদ তৌরিবা সিট মশিংদগী মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিংবু ফ্রী শিপ অমদি দাইরেক্ট এদমিসনগী সিট খরা রিজার্ভ তৌদুনা এদমিসন প্রোসেস চথরি। খোঙথাং অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়না লৌই। অদুবু অসিগুম্বা খোঙথাং অসিবু থবক ওইনা ওন্থোরকপদা ফজদবা মওং খরা ইম্ফাল মনুংগী মীয়াম্না পাম্না তান্নরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মীয়াম্না উবা ফংলি।

স্কুলশিংনা মার্ক ৱাংনা লাকপা মহৈরোয়শিংদা পীরিবা খুদোংচাবা অসি ফর্ষ্ট কম ফর্ষ্ট সর্ভ ওইবনা মহৈরোয়শিংনা সিট অসিবু ফংহৌনবা অহিং য়ারেক্লদুনা ক্যু লেপ্পরকপা অসিদা মী কা হেন্না য়োমশিন্নরকপনা পুলিসনা মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরকপদা খুদোংচাদবা কয়া থোক্তুনা মমা-মপা কয়া অৱাবা ওইরে। থৌওং অসিনা ইম্ফালদগী খরা হায়থবা মফমশিংদগী লাকপশিংনা খুদোংচাবা অসি য়াম্না নেম্না ফংই। থৌওং অসি মখা তানা থোক্তনবা স্কুলগী ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবশিংনা অনকপা, অরাপ্পা খায়দনা চপ মান্ননা খুদোংচাবা ফংবা ঙম্নবা মেকানিজম অমা পুথোক্তুনা এদমিসন প্রোসেস অসি মখা চথনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কংলা মনুংদা মাইচৌ তরেৎকী মীতম অমসু তোঙান্না খীন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু : সিকো

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): লৈঙাক্লা মাইচৌ তরেৎকী মীতম নোংমাইজিং চীংদা খীন্নবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অসিগী মনুং চন্না কংলা মনুংদসু মাইচৌ তরেৎকী মীতম তোঙান্না খীন্নবা হোৎনবীয়ু হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো) গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি টি ঐচ ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক ঙসিগী মণিপুরগী য়েলহৌমী মীতৈ ফুরুপ অসিগী মনাৎ অমসুং লাইনিংগী তোপ তোপ্পা মশক লৈজরকই। অদুবু লাইবক থীবদি মীতৈ অয়াম্বা হিন্দু লাইনিং লৌহনখিবদগী ফুরুপকী চৎনরোলদা মরিং-মরাংবা হৌরকখি। মসিগী মরমদি ইরমদম অসিদা নিংথৌ পামহৈবনা পানবা কুমজা ১৭০৯গী ওগষ্ট ২৮ থৱান থাগী ২৩নি পানবা, থৌৱাইমিচাক মরিনা পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎকী মতুংদগী হৌরগা ইরমদম অসিগী ইনাৎকী মশক্তা য়াম্না চাউনা অকায়বা পীরকখিবননি। মদুগী মহয়না ঙসিদি লৈপাক্কী থৌরমশিংগী চৎনলোন কায়থরকপা অমদি ফুরুপকী শক্তমদা চাউনা অকায়বা পীরক্লি। খুন্নাইগী ইনাৎ অমসুং লাইনিংগী শক্তম মাঙশিল্লকখিবা অসিনা মালেমগী লৈমায়দগী মীতৈ ফুরুপ অসিনা কাংখুল মুৎখিবা য়াবগী মীপায়বা লৈরিবনি।

কংলৈ খুন্নাইগী শিথরুরবা লোল, ইনাৎ, চৎনবী, হৌন-লোনচৎ অমসুং লাইনিংনচিংবা হিঙ্গৎ ঈহৌ কনখৎহনবা হায়বসি হৌজিক কংলৈচা ঐখোয়গী মাঙদা তারিবা তঙাইফদ্রবা তৌফম থোকপা ইথৌদাংনি। হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা মাইচৌ তরেৎকী মীতম নোংমাইজিং চীংদা খীন্নবা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অসিদা অসুক্কী মতিক হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# কাঙলোন ঙাকপীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস) : ফিল্ম রেজিষ্টর তৌদ্রিঙৈদা হান্না য়াইফ-থৌনি অমদি সূটিং তৌবীগনু। মসি ঙাক্তবা প্রদক্সন থোক্লক্লবদি ফিল্ম ফোরমগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনরোই হায়না ফিল্ম ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী খঙহল্লক্লি।

ADMISSION OPEN (2022-23)

in top ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD

| Courses | Courses |
| --- | --- |
| B.Sc. Agriculture<br>B.Sc. Forestry<br>B.Sc. Horticulture<br>B.Tech (Food Tech.) | MBBS (India & Abroad)<br>Clinical Psychology<br>BPA (Performing Art) |
| **Courses** | **Courses** |
| B.Tech. (All streams)<br>BAMS (Ayurvedic)<br>BHMS (Homeopathic)<br>BNYS (Yogic Science)<br>(NEET not required) | Nursing<br>D.Pharm, B.Pharm, M.Pharm, Pharm D<br>BBA (ACCA/CMA Certification),<br>BBALLB, Hospitality, MBA |

SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME

FOR MERITORIOUS STUDENTS

For details please contact @

ACCENT CAREER SOLUTION

Konjeng Hajari Leikai, Tiddim Road, Imphal West

above Khaddim's Show Room opp. Sangai Express

Phone : 8837454543

HL-P/1373/13 to 10 alt.

# হকচাংগী অৱান্বা হেনবা

### অঙাং খূদিংমক অজমাগী রিস্ক ৱাংই

লৌশিং পুক্কে

কা হেন্না চাশিনবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎপা মরম্না মালেমদা হকচাংগী অৱান্বা হেনবা অমদি অনোয়বা অঙাংগী মশীং য়ামখৎলক্লে। অঙাং ওইরিঙৈদা কা হেন্না নোয়বা হায়বসি পুন্সি চুপ্পগী ওইনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি।

মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতবা মরম্না কুমজা ২০২৫ গী অদুৱাইদদি মালেমদা মশাগী চহী ৫ দগীনা ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং মিলিয়ন ২৬৮ লোম হকচাংগী অৱান্বা হেল্লগনি। ৱর্ল্ড বেঙ্কনা পীরিবা মশীং হেনগৎলকপগী চাং মতুংইন্না কুমজা ২০১০ দা চহী মতাং অসিগী অঙাং মিলিয়ন ২১৯ লৈরম্বদগী কুমজা ২০২৫ দদি মিলিয়ন ২৬৮ য়ৌরগনি হায়রি।

'পেদিয়াট্রিক ওবেসিটি' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, কুমজা ২০১০ দা অনোয়বা অঙাং মিলিয়ন ৭৬ লৈরম্বদগী কুমজা ২০২৫ দদি মিলিয়ন ৯১ য়ৌরগনি। হীরম অসিগী মতাংদা হেল্ঠ সার্ভিস মেনেজর অমসুং হেল্ঠ প্রোফেসনেলশিংনা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না ষ্টদি অমদা শরুক য়াখিবা ৱর্ল্ড ওবেসিটি ফেদরেসন, লন্দনগী টিম লোবষ্টিননা ফোঙদোকখি।

গ্লোবেল বর্দন ওফ দিজিজ কোলাবোরেটিভনা কুমজা ২০০০ অমদি কুমজা ২০১৩ গী মরক্তা শেমখিবা দেটা অমা রিছার্চরশিং কুপ্পা নৈনরম্মী। ওক্টোবর ১১ দা মালেমগী মফমশিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা 'ৱর্ল্ড ওবেসিটি দে' গা মরী লৈননা থাদোরকখিবা রিপোর্ট অমদা রিছার্চরশিংনা হায়খি, মালেমদা অনোয়বা অমসুং কা হেন্না লুম্বা হকচাংগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলক্লগনি। কুমজা ২০২৫ দদি গ্লুকোজ টোলরেন্স শোয়বা অমসুং মিলিয়ন ১২, টাইপ-টু দাইবেটিসনা নারবা অঙাং মিলিয়ন ৪, হাইপরটেন্সন লৈবা অঙাং মিলিয়ন ২৭ অমসুং লিভরদা ফেট পৈশিল্লকপা (হেপাটিক ষ্টিটোসিস) অঙাং মিলিয়ন ৩৮ লৈরগনি হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা খুদিংমক্লা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই হায়রি।

ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী মেম্বর লৈবাকশিংনা কুমজা ২০২৫ ফাওবগী মনুংদা মালেমগী মীওই খুদিংমক হকচাংগী অৱান্বা হন্থহন্নবা ফীরেপ লৌখ্রবসু পান্দম অদু ফংবদা ৱানা থোক্কনি হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোক্লি।

অঙাং ওইরিঙৈদা মশাগী চহীগা চান্নদবা মওংদা হকচাংগী অৱান্বা হেল্লবদি পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াই। ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, দাইবেটিস অমদি কোলেষ্টরোল ৱাংবনচিংবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং কয়া ওইহল্লকপা য়াবা মরম্না অঙাংশিংবু য়ারিবমখৈ হকচাংগী অৱান্বা হেলহল্লোইদবনি। কেলোরি য়াম্না য়াওবা চীঞ্জাক হেঞ্জিন্না চাশিনবগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবগী চাং ৱাৎপদগী অঙাংশিংদা অৱান্বা হেল্লকপনি। মরুওইনা পেকেটতা হাল্লগা য়োল্লিবা অচাপোৎ, সোফ্ট ড্রিঙ্ক অমসু অথুম-অহাউশিংনা হকচাংগী অৱান্বা হেনগৎহল্লি। মসিগীসু মথক্তা ঙসিগী মীরোলদা হিংলিবা অঙাং অয়াম্বা টেলিভিজন য়েংদুনা অমসু ভিদিও গেম শান্নদুনা মতম লেনবা মরম্না হকচাংগী অৱান্বা হেল্লক্লবগী মরম ওইহল্লি।

হকচাংগী অৱান্বা হেনবনা ওইহল্লকপা য়াবা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি টাইপ-টু দাইবেটিস, মেটাবোলিক সিন্দ্রোম, হায় কোলেষ্টরোল, হায় ব্লদ প্রেসর, অজমা, স্লিপ দিসওর্দর, নন অলকোহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি) অমসুং চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ লাকপা নৎত্রগা হকচাংগী কয়াৎশিং মপুং মরৈ ফারকপা অসিনচিংবনি।

হকচাংগী অৱান্বা হেনবগা লোয়ননা অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা অঙাংশিং টাইপ-টু দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই। মেটাবোলিক সিন্দ্রোম হায়বসি লায়না নৎত্রবসু লায়না কয়া ওইহল্লকপা য়াবা থৌওংশিংনি। খুদম ওইনা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা, ট্রাইগ্লাইসরাইদ ৱাংবা, ঐচ দি এল (অফবা) কোলেষ্টরোল নেম্বা পূক নোয়বগী থৌওংবু মেটাবেলিক সিন্দ্রোম হায়না খঙনৈ।

হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপগা লোয়ননা চাবা-থকপগী মওং শোয়রবদি ব্লদ প্রেসর অমসুং কোলেষ্টরোল ৱাংখৎলক্তুনা ঈ উতোং ফুঞ্জিল্লকপদগী হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোক তৌহল্লকপা য়াই। হকচাংগী অৱান্বা হেনবা অঙাং খুদিংমক অজমাগী রিস্ক ৱাংই। ওবষ্ট্রক্টিভ স্লিপ এপনিয়া হায়বসি তুমথখ্রবা মতুংদা নিংশাশ্বর হোনবা লেপখিবগী থৌওংবুনি। হকচাংগী অৱান্বা হেল্লবদি স্লিপ এপনিয়া ওইহল্লকপা য়াই।

য়ু থক্তুবসু লিভরদা ফেট পৈশিল্লকপগী থৌওংবু নন অলকোহোলিক ফেটি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি) হায়না খঙনৈ। এন এ এফ এল দিনা মরম ওইরগা লিভরদা অমাঙ-অতা থোকহল্লকপা য়াই। কা-হেন্না নোয়বগা লোয়ননা হকচাংগী অৱান্বা হেনবা অঙাংশিং মীমাঙ থোকপা ঈকায়বগা লোয়ননা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা লায়না মায়োক্লরকপা য়াই।

হকচাংগী অৱান্বা হেল্লবসু নৎত্রগা হেন্দ্রবসু মমা-মপা ওইবশিংনা অঙাংশিংগী মতাংদা মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপীবা মথৌ তাই। য়ারিবমখৈ অঙাংশিংদা চিনি য়াওবা চীঞ্জাক কা-হেন্না পীজরো-ইদবনি, উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং মরাং কায়না পীজগদবনি, অয়াম্বা মতমদা ইমুং মনুংগী মীওইশিং পুন্না চামিন্নগদবনি, মপান্দা (হোটেলদা) তোয়না চারোইদবনি, কুইনা টেলিভিজন য়েংহল্লোইদবনি অমসুং নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক চেন চোংদুনা শান্নহনগদবনি।

খ্বাইদগী মরুওইবা ৱাফম অমনা অঙাংশিংবু চাং নাইনা চহী খুদিংগী অমুরক ডোক্তরগী মনাক্তা পুরগা হেল্ঠ চেপ-অপ তৌগদবনি। চাং নাইনা চেক তৌরবদি হকচাংদা হোংলকপা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌওং পুন্নমক মতম চানা খঙবা ঙম্মী।

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# মীয়ামগী নুমীৎ পাঙথোকপা হৌরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক অসিনা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামগী নুমীৎ পাঙথোক্তুনা লাকপা অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু থা অসিগী ১৫দগী থৌবাল দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাসনা ফোঙদোরক্লি।

দি সী থৌবালগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্লা মখা তারদুনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথং মতুংইন্না দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মীয়ামগা লৈনরিবা মরী অসি হেন্না নকশিন্ননবা পান্দমদা থা খূদিংগী অহুমশুবা ইরাই নুমীৎ খূদিংগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু মীয়ামগী নুমীৎ পাঙথোক্লগনি। মরম অদুনা মীয়াম্না মতম চানা লাকপীদুনা মীয়ামগী নুমীৎনা পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌমিন্নসি।

থা অসিগী ১৫দগী পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা অসিদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়াম্না মতম চানা লাকপীদুনা মীয়ামগী পেন্দবা হায়নিংবশিংসু মরী লৈনবা ওফিসরশিংদা হায়বীয়ু। নুমীৎ অসিদা লৈঙাক্কী তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী মীহুৎশিং লোয়নমক লৈগনি। থৌরম অসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবদগী হৌগনি। মরম অদুনা মীয়াম্না রেজিষ্ট্রেসনদি অয়ুক পুং ৮.৩০ দগী পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা তৌবীবা য়াগনি। লোয়ননা মীয়াম্না লাকপীবা মতমদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অমদি অইবা এপ্লিকেসন অমসু লোয়নবীরকউ হায়না দি সী থৌবাল অহন্থেম সুভাসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL



Admission Fee free for first 100 students of XI Science Academic Courses with NEET(UG) & JEE coaching facilities securing 70% and above .

FREE ADMISSION for Class XI Science, Arts & Commerce Stream

2022-23 ADMISSION OPEN



+91-9615965922
+91-9615520109
+91-9856835024

Salt Village, Khongjom, Manipur-795148

slopelandpublicschool@yahoo.co.in

www.slopelandpublicschool.com

HL-P/32679/9-23

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।০৬।২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা;
ইঙেলগী থানিল।

মেষ: লন চাওখৎপা, মীয়াম্না তেংবাঙনীংবা, ইমুং-মনুং ৱাখল মান্ননা থৌপাঙবনা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকপা নুমিৎনি। মীকোক থোংগনি- চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

বৃষ: পুক্লিং ফাথনা লৈগদবা নুমিৎনি। মাঙগদবগী শরুক মতম খরা লৌবনা অশিঙবা তাগনি। হোয়া ফবা অমদি অশাওবনা খ্বাইদগী হেন্না মাঙজগদবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মিথুন: মরুপ-মপাংনা তাথিবা, পঙশিনবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা লৈরসু নীংবদি থুংগনি, শেন্দোং য়াম্না ফংগনি। মরম চারদি খুৎচাও থাবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

কর্কট: লৌশিং চাওবনা খন্থরগা অমদি অচুম অরান খঙদোক্লগা থৌ পাঙউ শোয়দনা মায় পাক্কনি-মীপানিংঙাই লৈতে। শেল-থুম/মীয়ামগী মতেং ফংহগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

সিংহ: চরাংনরদি মতম মাঙগনি, মফম মতম য়েংদনা খুৎচাও থাগনু। অদুবু শেল-থুম, মীথোই-মীহেনবা তানবা অমদি ৱানোম থৌনোমবদদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- আশা চাওবা য়াদ্রি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: শাওনিংবা অমদি পেন্দবা খরা লৈরসু থবক পাঙগনি, হকচাং নুংঙাইগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি। ফিংহগনু/ নক্লবদগীসু চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- খন্থদবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

তুলা: পাউ ইনুং নুংঙাইরোই, অরোন অথুপ ঙাঙথোক্কনু। মীচঙ খোম্বা, ওইজবা তানবা অমদি শেন্দোং তানবদদি অনৌবা ৱাখল্লোন্না হেন্না কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: অরাপ্পদগী কান্নবা ফংগনি, খল্লুদবা কান্নবা ফংগনি অমদি নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি। ঈরাং পুরদি কায়নবা অমদি চাদিং হেনবা লৈগনি-মতম লৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- কায়নবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

ধনু: নীংবা থুংগনি, কান্নবা য়াম্না ফংগনি, অমদি অনৌবা থবক পাঙহৌবা কান্নগনি। অশাওবনদি মাঙজগনি, নচা-ননাই ময়েং তাগনি, পোরম য়াৎপা হৈরোই।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

মকর: য়েৎনবা, মীনা য়েংথিবা অমদি মরী মতা/নক্লবনা ৱারৌবা লৈরসু অঙম্বনদি চানবী, শীল-লাঙবা হৈগনি, মীনা থাগৎপিবা খরসু লৈগনি। খুৎতি চাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাওনা ফংগনি, লেঙদবা লন ফংজবগী নুংঙাইবা লৈগনি, মীয়াম্না লুনা তৌবীগনি। লমদগীসু কান্নবা ফংই।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

মিন: মীৱা লৌরদি নরল ময়েং তাগনি, অখঙ অহৈ তান্নদ্রদি পঙশিনগনি। নীংবা মপা চাবা অমদি লৈবনা থৌদি পাঙগনি, মীয়াম্না নঙগীদমক লেপকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।